## বাসক ফাংনবা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ সেন্তর ফোর সোসিয়েল এন্দ দিভলপমেন্ট মণিপুর, শিংজমৈ ওইনাম থিংঙেলনা শিন্দুনা প্রদক্সন ওফ বাসক ফাংনবা ঙসি ওইনাম থিংঙেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সঙ্গিৎ নাতক একাদেবি ন্যু দিলিগী শেহ্নং মখাদা পুথোকপা বাসক ফাংনবা হৌদোকপগী থৌরমদা সঙ্গিৎ নাতক একাদেবি এৱার্দি পিঐচ ইবোতোন সিংহ, ইমেজ চেফোংগী এডিটর সলাম রঞ্জন অমদি জে এন এম দি এগী গুরুৱামধারি এম অপাবিনা মথংসিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

লমায় ১ গী মখা

## এক্সত্রা জুদিসিয়েল কিলিংগী কেস...

এডিস্নেল সোলিসিটর জেনরেলনা মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোকখবদা ভিক্তিমশিংগী মথক্তা রেজিষ্টার তৌরম্বা কেসশিং কেন্সেল তৌখ্রে। অদুগা কোর্টনদি থিজিনবগী থবক নিয়ম চুমদে হায়না অকনবা ৱাফম থমখি।

ভিক্তিমশিংগী মায়োক্তা কেস লৌ–খৎলগা চেন্নরিবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তদি লৌখৎত্রিবা করিগীনো হায়নসু খঙহনখিবা লৈখ্রবনি। কেসশিং অসিগী হিয়ারিং মখা তানা মথং থা মে ১১দা অমুক চখনবসু খঙহনখি হায়রি।

## ইমা কৈথেলদা হৌজিকসু নুপাশিং...

লোয়নআ চীফ মিনিষ্টরনা চীংদা কেবিনেট ফমদুনা চীং অমদি তমগী নুংশিনবগী মরী চেৎশিনহন্নবা হোৎনরিবা অসিসু য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। অদুবু তমদসু কেবিনেট মীফম অসি ফম্বীদুনা মাংখিগদৌরবা ঐখোয়গী য়েলহৌমীশিংবু কন্নবগীদমক অথুবা মতমদা চীং অমদি তম অনীমক্না য়াবা আইএলপিগী বিল অমা পুথোকপীবগা লোয়নআ নন–মণিপুরীশিংদা মৈতৈ নুপীনা য়ুম পাল্লগা নুপীগী য়ুম্নাক অসিদা নন–মণিপুরী অমনা য়ুম্নাক ওনশিনবা য়াওরিবা অসিসু অথিংবা থম্বীনবসু মরী লৈনবা অমদি নন–মণিপুরীদা য়ুম পাল্লিবা ইমুং–মনুংশিংনা কুপ্না খন্নবীয়ু হায়খি।

নাকল অমরোমদা জে সিআইএলপিএস ৱুমেন্স ৱিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজং অসিগী শরুক্কী মনুংচন্না ঙরাং শিংজমৈ চীংঙা মখাদগী চে–চাং শুনা য়াওদবা নন–মণিপুরী ১২ ফাগৎখিবগী মতুং ঙসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী অকোয়বদগী চে–চাং শুনা য়াওদবা নন–মণিপুরী ১২ অমদি লেবর ৮ ফাগৎখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লিগেল এড ক্লিনিক লিংখৎখিবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




এসএনএস

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটি ইম্ফাল ৱেষ্টনা লিগেল এড ক্লিনিক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স, উরিপোকতা খূৎশম্নদুনা ক্লিনিক অসি লিংখৎখিবগী ৬শুবা কুমওনগা লোয়নআ লিগেল এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর হায়কোর্টকী এক্টিং চীফ জষ্টিস অমদি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওঠোরিটিগী একজিক্যুটিভ চিয়ারমেন জষ্টিস এন কোটেশ্বর সিংহ, মণিপুর হায়কোর্টকী রেজিষ্টার জনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট এম মনোজকুমার সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, ইম্ফাল ইষ্ট শ্রীমতী জি গাইফুলসিল্লুনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

এক্টিং চীফ জষ্টিস এন কোটেশ্বরনা হায়, লিগেল এড ক্লিনিক ষ্টেট অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম কয়াদসু হাংদোক্তুনা মীয়ামদা আইনগী মতেং পাংবগী থবক পাক শন্না লৌখৎলি।

করিগুম্বা থৌদোক নৎত্রগা ৱাথোক অমদগী কাঙলূপ অনী ভাব তান্নদবনা খৎন–য়েৎনরকপদা তোঙান–তোঙানবা কোর্টশিংদা ৱাকৎতুনা মখা তাবা থবক চখ–বদা অৱাবা কয়ামরুম মায়োক্নদবা নত্তে অদুনা কেস কয়া লিগেল এড ক্লিনিকতা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবা হায়বসি তঙাই ফদনা ওইবনা থবক অসিদা খুমাং চাউশিন্না মায় পাক্নবা হোৎনবদা লিগেল সার্ভিস্তা লৈরিবা অমসুং মীয়াম্না অঙম্বা থাক্তা মতেং পাঙফম থোকই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লিগেল এড ক্লিনিক্কী মতেং ফঙখ্রবা মীওই কয়ানা মখোয়গী ওইবা মত কয়াসু ফোঙদোক্নখি হায়রি।

## সাহিত্য একাডেমি মণিপুরী এডভাইজরি বোর্ডকী মেম্বর খল্লকপদা নুঙাইবা ফোঙখ্রে

এসএনএস

সিলচর, এপ্রিল ১৬ঃ আসামগী শক্নাইরবা মণিপুরী অইবা থোকচোম বিশ্বনাঠপু সাহিত্য একাডেমি মণিপুরী এডভাইজরি বোর্ডকী মেম্বর ওইনা হাপ্লকপদা মণিপুরী য়ুঠ ফ্রন্ট, আসাম (এমৱাইএফএ)না হরাউবা অমসুং নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

এমৱাইএফএগী সেক্রেটরী জেনরেল ফঞ্জৌবম লোকেনাঠনা থাদোরকপা চেরোলনা, বিশ্বনাঠপু মণিপুরী এডভাইজরি বোর্ডকী মেম্বর হাপ্লকপসি আসামদা লৈবা মণিপুরী পূন্নমক্কী য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি।

লিটরেরি এক্টিভিষ্ট অমা ওইনা কথোকপগা লোয়নআ মণিপুরগী মপানদা থবক তৌরিবা মীওই অমবু লেমজনিংঙাই ওইরবা বোর্ড অসিগী মেম্বর ওইনা হাপ্লকপা অসিমকসু মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মপানদা লৈবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা অপুনবা অমসুং অমত্তা ওইবগী অফবা সিম্বোল অমনি।

থোকচোম বিশ্বনাঠ ১৯৬০গী দিসেম্বর ২৫দা লক্ষিপুর কছারগী সিঙ্গলবোন্দ মুতুম লৈকাইদা পোকপনি। অপোকপগী মিংনা মনিলাল অমসুং অপোকপীগী মিংনা তরামনি কৌই। অনীমক লৈখিদ্রে।

মহেরোই ওইরিঙৈদগী হৌনা মহাক শৈরেং ঈবা হৌরকখি। ওল আসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাউন্দর লিটরেরি সেক্রেটরীনি। রাইট্টরস গীল্ড লক্ষিপুরনা ফোঙবা নুমিৎয়ুংবা অমসুং নহারোল খোরিলোল শিনলূপ, লক্ষিপুরনা ফোঙবা খোরিরোল মেগাজিনগী এডিটরসু ওইরম্মী।

অসিদসু নৎতনা নহারোল খোরিরোল শিনলূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট, আসাম মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী স্পিসিয়েল ইনভাইটিসু ওইরম্মী। সাহিত্য একাডেমি নিউ দিল্লিনা শীনবা সেমিনার অমসুং ৱার্কসোপ কয়াদা মোডারেটর ওইনা অমদি চে পাথোক্তুনা শরুক য়াখি।

হৌজিক ফাওবদা মহাক্কী শৈরেং লাইরিক অহুম–নোং–নুংশিৎকী হুমদোক্লবা থাবলগী (১৯৮৪), হরিবোলা হে মন্ত্রি (১৯৮৫) অমসুং ওক্তবী অমসুং শাবোন (১৯৯৬) ফোঙখ্রে হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

## অইবা প্রিয়োকুমারদা বসন্তকুমার এৱার্ড

চৎলিবা থা অসিগী ২৩ নিং থৌকাবা নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড বুক দেগা মরী লৈননা মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা এৱার্ড অসি খূৎশিন্নগনি। এৱার্ড অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন ১, শান ১ য়াওরি।

থৌরম অদুদা খোংজোম দে শৈথাবা শৈরেং লান্থোকপগা লোয়নআ লাইরিক্কী মরুওইবা হায়বসিদা খন্নগনি হায়রি।

## হায়কোর্টকী ওর্ডর ইন্দবগীদমক...

মহাক্কী ৱাকৎ অসিগী ৱায়েল কোর্টসিনা চখরবা মতুংদা আগষ্ট ৩১,২০১৬তা পীখিবা জজমেন্ট এন্দ ওর্ডর অমদা মরী লৈনরিবা ওঠোরিটিশিংনা পীফম থোক্লবা শেনফমসি পন্থদনা পীননবা খঙহনখি। অদুবু পীবিরক্তবদগী কন্টেম্প পিটিশন অসি অমুক ফাইল তৌরকখিবনি।

## এমসু অমসুং কাডানা এন্টি দ্রগ এৱ্যারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিয়েসন এগেন্স দ্রগস এন্দ আলকোহোলস (কাডা) খূৎশম্নদুনা মহৈলোইশঙশিংদা চখরকপা একাডেমিক এৱ্যারনেস কেম্পেইনগী মতুং ইন্না ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউনদা লৈবা মচা লৈমা স্কুলদা এন্টি দ্রগ এৱ্যারনেস পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কাডাগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন দোরেন অমদি মচা লৈমা স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস মেমোবালানা পুন্না ময়াই ফমখি অদুগা রিছোর্স পার্সন ওইনা কাডাগী ফাইনান্স সেক্রেটরী গীটচন্দ্র মঙাং শরুক য়াখি।

হেদ মিষ্ট্রেস মেমোবালানা হায়, মখল কয়াগী নিশা চাবা অমদি শীজিন্নবনা হকচাং শোকহনবতা নত্তনা লমচৎ– শাজৎ, থকশি–খাশি মাঙহল্লি। নিশাদগী মহৈরোইশিংনা মতম পূম্নমক্তা লাপ্না লৈনবা অপিল তৌরদুনা ঐগী–ঐগী ইমুং–মনুংদসু নিশা শীজিন্নবা য়াওরবদি তোকহন্নবা হোৎনবা তাই। কেম্পেইন অসি লোইজিং–লোয়া শিনবা থুংনা চখবীয়ু। হৌরক্লিবা মহৈরোইশিংদা নিশাগী অমাংবশিং খঙহনবা হায়বসি তঙাই ফদে।

হৌজিক্কী মতমদা নুপী ফাওবা য়ু থকপা য়াওরে হায়বসি তাবদা নুংঙাইতে। মহৈরোইশিংনা নিশা মখল অমত্তা টেষ্ট তৌগে হায়বগী ৱাখল খনবা য়ারোই। অফবা মহৈরোই অমা ওইনবা হোৎনগদবনি হায়বগী ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

কাডাগী সেক্রেটরী ফাইনান্স গীটচন্দ্র মঙাংনা হায়, ঙসি খুন্নাইসিদা থেংনরিবা অকিবা ফঙলবা দ্রগকী প্রোব্লেম অসি মহৈরোইশিংনা খঙজিনদুনা নিশাদগী মতম পূম্নমক্তা লাপথোক্লবা হোৎনবা তাই। নিশা থিংবা হায়বসি ইশা–ইশাদগী হৌগদবনি। অদুনা স্কুল তন্নিবা মহৈরোইশিংদগী হৌনা নিশাগী অমাংবা ময়েক শেংনা খঙহনবা তঙাই ফদে।

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওনা মহৈলোইশঙদা মীৎয়েং চঙলগনিঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ঃ খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী অৱাংবা তাইবঙ মহৈকোল ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিনা খুন্নাই অসিবু ইকায় ফিরুক খুমহল্লে। এময়ুনা খুন্নাইদা লৌফম থোকপা থৌদাং অদুসু লৌরক্তবা কুইরে হায়না আইননা থিংখ্রবা লূপ মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরগী কিয়োংহন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়খিবদি মরম অসিদগী মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা এময়ুদা অকনবা মীৎয়েং চঙনবা শেম–শাবা লোইরে। মণিপুর মীয়াম খঙনা লূপ অসিনা তঙাইফদবা ৱাফম খরা লাওথোকপা মরুওইরকপগা লোয়নআ লূপ অসিগী ৱারেপশিং মীয়ামদা থমজরি। অহানবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসারশিং হায়বদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর এসোসিয়েসন (মুটা), রিছার্স স্কোলরশিং অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌপুবশিংনা ঠিকাগী থবক অমত্তা শরুক য়াবিগনু।

অনীশুবদা মণিপুরগী লালহৌলূপ অমদি মীয়ামগী থবক তৌরিবা লূপশিংনা ঠিকা পীয়ু য়াই য়াদে হায়দুনা এময়ু য়াওনা মণিপুরগী লৈরিবা লৈঙাক্কী কলেজ অমদি স্কুলশিংদা লৈরিবা টিচিং কম্যুনিটিদা অকল–অরিং শিংবীগনু।

নাকল অমরোমদা প্রাইভেট স্কুলগী ওইনসু শেনখাই–থুম–খাইগা মরী লৈননা টিচিং কম্যুনিটিদা অয়েৎ–অপনবা পীবিগনু অদুগা শেন্দোং তানবা স্কুল মপুংশিং অদুগা মুক্নবদদি লূপ অসিনা মখল অমত্তগী য়ানিংদবা তৌরোই।

অহুমশুবদা মণিপুরগী লৈরিবা ইন্টিলেকচুয়েলশিংনা ৱাখল্লোন ফোঙদোকপদা য়ানিংবা অমসুং য়ানিংদবা লৈবা খুদিংমক লৈবাক মচা তাবা নৈনরোল অমগী মখাদা খন্ন–নৈনবগী খুদোংচাবা লৌবিয়ু। অকল–অরিং শিংদুনা ইন্টিলেকচুয়েল রাইটতা শিংনবগী থবক অমত্তা লালহৌবা য়াওনা লৈবাক্কী থবক তৌরিবশিংনা তৌবীগনু। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা ইন্টিলেকচুয়েল রাইট ঙাক্নবা তৌফম থোকপা থৌদাং অদু লৌনবা শেম–শারগনি। অহৌবা ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মখল অমত্তগী ঠিকাগা মরী লৈনবা থবকশিংনা টিচিং ষ্টাফ অমদি রিছার্স স্কোলরশিংদা অয়েৎ–অপন অমত্তা পীবিগনু।

লূপ অসিনসু লৈরিবা এময়ুগী মুটা অমদি মুসু অনীমক্না ঠিকাগী থবকশিংদগী লাপথোক্নবা অফোংবা অমদি অরোইবা পাউজেল পীজরি। ঐখোয়গী খুন্নাইদা মুক্নরিবা লিচৎ হায়বদি ঐনা অদুনি মানা অদানি হায়বগী মমি অসিমক মুসুগী প্রোফেসার অমদি অখঙ–অহৈশিংগী মরক্তসু তারি অসুম্না মহৈরোইশিংদসু য়াম্না চাওনা খাইবুং–খাইবুং তান্নদুনা লৈরি। অখঙ–অহৈ ময়াম মচি ৱাইনদুনা লৈবদগী খুন্নাই অসিনা খম থেংনা লৈখা তারক্লিবনি। মণিপুরনা মাংথরক্লিবসি মীয়ামগী মরাল লৈতে। খুন্নাই অসিনা শোথরক্লিবা পূম্নমক্কী মরাল অসি খুন্নাই অসিগী লাইরিক–লাইশু হৈবা অমদি লুচিংবশিংনা মীয়াম্বু অচুম্বা লম্বীদা লমজিংবীদবদগীনি হায়বসি লূপ অসিনা চাওনা থাজবা থল্লি।

লাইরিক হৈবা মশেল মুক্নদুনা মখোয় মশেল পুনবা য়াদবা অমদি লালহৌ লূপ মশেল অমগা অমগা থম্মোয় শেংনা পুনবা ঙমদ্রিবসিগী মরুওইবা মরমদি 'সুপর ইগো'নি। ফিভম অসিদা খুন্নাই অসি মরাই চায়থরক্লিবনি।

নাকল অমরোমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্টস মুভমেন্টকী মায়কৈ অসি অসুক্কী মতিক অরানবা মায়কৈদা খোং থাংখ্রে। মুভমেন্ট য়াওদ্রবা ষ্টুদেন্টস পোলিটিক্স ওইরে। এময়ু অসি হিরম অমদা হায়রগদি মহৈকোল ওইদ্রে। মুসুগী ঠিকা তৌফম ওইরে হায়নবা ফাওবা য়াওরে। মণিপুর মাওইষ্টনা এময়ুনা শোকথরক্লিবসিগী মতাংদা মীয়ামদগী ৱাখল্লোন লৌবা মতমদা এময়ুদা ঠিকা তৌরগা ভোট কারগা এমএলএ ওইবা ফাওবা য়াওরে হায়না এময়ুগী ফিভম অসিদি মহৈকোল ওইদ্রে হায়না ৱাখল্লোন ফোঙদোক্নরকপসু য়াওরি।

লূপ অসিনা থমজনিংবা ৱাফমদি হৌখিবনা হৌখ্রবসু মখা তানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিবু অফবা মহৈকোল অমা ওইনবা হোৎনবদা মরী লৈনবা খুদিংমক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনবীয়ু। লূপ অসিনা হৌখিবা অরানবা চাম্মা–চাম্মা ঙাকপীবা ঙমগনি। অদুবু মখা তানা অরানবা লম্বীদা খোঙ থাংলক্লগদি কৈদৌনুংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। লূপ অসিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংদা ঐগী–মীগী ইচা–মীচা য়েংলোই মৈলৈসু নারোই অদুগা লালহৌবগী ওইগেরা লৈঙাক্কী ওইগেরা অকল–অরিং শিংলকপা খুদিংমকসু চপ চানা লম্বান্নগনি।

মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নদুনা মুক্নবা য়াওদনা য়াম্না লৈবাক মচা তাবা ফিভমদা অচুম্বা লম্বীদা চৎমিন্নদুনা খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা তাইবঙ মহৈকোল অসিবু অফবা শিংথানিংঙাই ওইবা মহৈকোল অমা ওইহন্নবা থৌদাং লৌমিন্নসি। অকল অথৌ অমত্তনা ঠিকা মুক্নবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মখল অমত্তগী পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহনবীগনু। পামদবা থৌদোকশিংগী মায়োক্তা লূপ অসিনা ফোঙনা লেপকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

## গভর্ণমেন্টকী ফন্দ লান্না শিজিন্নবা অমত্তা লৈতে, নেগেটিভ ক্রিটিসিজম তৌবগী...

উখ্রুলগী মফম চাবা অমা য়েংলগা হোট মিক্স প্লান্ট অমা থমদুনা লম্বী থোং মপুং ফানা শেমগৎনবা থবক পায়খৎলগনি। পি এম জি এস ৱাইগী ১০শুবা ফেজদা সনাকৈথেলদগী লৈশন ফেজ ৱান অমসুং টু হৌজিক শুবগী থবক চখরি।

চাউখৎ থৌরাংগী থবক তৌবা মতমদা অথিংবা অয়েৎপা পীবীগনু। হোমিদগী কচাই ফাওবগী লম্বী অসি পি এম জি এস ৱাই গী মখাদা শেম্লগনি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, কচাইদা মৈগী প্রোব্লেম লৈহন্দনবা মফম অসিদা ৩৩।১১ কেভি সব ষ্টেসন অমা এপ্রিল অরোইবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা শেমগৎপগী থবক হৌরগনি হায়খি।

লৈবাক অসিদা মরা তাখ্রবা শেঞ্জা থুমজা অসি নোংমদা থিংবা ঙম্লোই। মসিদি হোংদোকপদা মতম চংখিগনি হায়খি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়ুম লৈতবা মফমদা য়ুম শানবা স্কিম লৈ। সোসিও ইকোনোমিক কাষ্ট সেন্সস অসিদা চনবা মীওইশিংগী ওইনা পি এম য়ু ৱাই (জি) অসি পায়খৎলম্বা অদু হৌজিক গভর্ণমেন্টনা হোৎনবদগী সেকতা চন্দবশিংসু মসিগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

ইং ২০১৭–১৮ অমসুং ১৮–১৯দা পুন্না স্কিম অসিগী মখাদা মণিপুরদা য়ুম লিশিং ৩০ গী মথক্তা শানবা থৌরাং লৈরে। মসি লুপা লাক্ষ১.৩০না হকথেংননা মহাক্কী একাউন্টতা লাক্কদবনি। অদুগা লুপা লিশিং১২না স্বাছ ভারত মিসন্দগী লেট্রিন শানবা ফংগদবনি লোয়নআ নুমিৎ ৯৫না নরেগাদগী ৱেজ কম্পোনেন্ট ওইনা লৌগদবনি হায়খি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং অসি ফংহন্নবা হোৎনসি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

ষ্টেট অসিদা দরকার ওইবা য়েরুমগী পোত্থোক অসি মেনখৎনবা থৌরাং তৌবা হৌরে। লোয়নআ গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা স্পাইসেস পার্ক অমা লিংনবা শেম শারে হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লমায় ১ গী মখা

## সেনাপটিদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখ্রে

## নুপীগী মায়োক্তা চখবা ক্রাইম য়েংশিন্নবা ইনভেষ্টিগেটিভ য়ুনিট ২...

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়, জেনিমসকী অনৌবা ৱার্ড হাংদোকপগা লোয়নআ অহাংবা ফমশিং মেনশিনবা, এডুকেসন সেক্টরদা ৱিক্রুর সেক্সন অমসুং দিসএডভান্টেজ গ্রুপকী অঙাংশিংগীদমক অন–এডেড প্রাইভেট স্কুলশিংদা চাদ ২৫ সিট রিজার্ভেসন তৌনবা দরকার ওইবা থবক লৌখৎপা, এডুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টকী ট্রান্সফর পোলিসি চৎনহনবা অমসুং স্কুল চৎতবা অঙাংশিংগীদমক স্পিসিয়েল স্কিম থবক্তা ওন্থোকপদসু ঙসিগী কেবিনেট মীফম অদুনা অয়াবা পীখি।

মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী অহাংবা ফমশিং মেনশিনবা হায়নসু য়ান্নবগা লোয়নআ দিপার্টমেন্ট অসিগী মমাংদা চখখিবা রিক্রুইটমেন্ট প্রোসেস অদু এসআইটিনা মরম চাদবা কয়া লৈরে হায়বা খঙহল্লকপদগী ককথৎপা হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।

কেবিনেট মীফম অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সংসক পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা লঙ্কুই পুলিস আউট পোষ্ট শানবগীদমক লম লৈবদসু অয়াবা পীখ্রে।

সরকারগী ৱঙাংলোই টিঐচ বিশ্বজিৎনা মখা তানা হায়, পব্লিক প্রোজিক্যুসনগী থবক হেন্না ফগৎহন্নবা প্রোজিক্যুসন দিরেক্টোরেটকী হাংদুনা লৈরিবা ফমশিং থবক হাপ্পগী অথিংবা লৈরিবা অসি কোমথোক্লগা মেনশিনবা হায়নসু য়ান্নখি।

মণিপুর ট্রাইবেল দিভলপমেন্ট কোরপোরেসনগী মিংদা সিএস দাগ নম্বর–১১০০১ (নিউ) ভিলেজ নম্বর–৯১ (এ) লম্ফেলপাৎতা লম পীবা, মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদি লেন্দ এন্দ ৱেড লেন্দ এক্ট, ২০১৪গী সেক্সন (২)গী মখাদা পীবা লিষ্টতা পেট্রোল পম্প অমসুং এলপিজি গোদাউন হাপচিনবদসু কেবিনেটনা অয়াবা পীখি।

মমাংগী সরকারনা মণিপুর ষ্টেট কোপরেটিভ বেঙ্কতা সেল্ফ ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন প্রোগ্রামগীদমক লুপা ক্রোর ১১৬.৪৫ লোন ওইনা পী–খবা অদু গ্রান্ট ওন্থোক্তুনা বেঙ্ক অসি আরবিআইগী লাইসেন্ট কক্তনবা হোৎনবদা কেবিনেটনা অয়াবসু পীখি। অদুগা হায়রিবা শেনফম অসিদগী সরকারগী ইমপ্লোইনা গ্রেরেন্টর ওইরগা লৌখিবা লুপা ক্রোর ৬০গী লোনগী শেনফম খোমগৎনবা হোৎনবা হায়নসু মীফম অদুনা অয়াবা পীখি হায়নসু মহাক্না তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি সেনাপাটি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্কার্টরদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম অদু চীং দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোকপা ৪শুবা মীফম্নি। মমাংদা চুরাচান্দপুর, চান্দেল অমসুং তমেংলোংদা কেবিনেট মীফমশিং পাঙথোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর অমসুং অতৈ মিনিষ্টরশিংনা মীফম অদু য়াওনবা লাকপদা স্কুলগী মহৈরোইশিং য়াওনা লমদম অদুগী মীওই চা কয়ানা লম্বীদা পরেং লেপ্তুনা হরাউ–তয়াম্না ওকখি অমসুং খুদোলপোৎ কয়াসু পীখি হায়রি।

মীওই কয়ানা হংলকখিবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদি, সেনাপটিদা ৱুমেন মার্কেট অমা মণিপুর পুলিস হাউসিং কোরপোরেসননা শাগৎলিবা অসি য়াম্না পেন্নিং ওইরি। হায়রিবা কৈথেল শঙ অসি লাক্লিবা জুন ১৫দা শঙ্গাবা ঙম্নবা হোৎনগনি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী নুপী কৈথেলদি চৎলিবা থা অসিগী ২৪দা শঙ্গাগনি।

চীং দিষ্ট্রিক্টশিংদা শাগৎখিবা নুপী কৈথেল পূম্নমক লাক্লিবা জুন থাগী মনুংদদি মপুং ফানা লোইশিল্লগনি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা ১০৯ বট্টালিয়ন সিআরপিএফনা স্বছতা ভারত অভিয়ানগী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা কথিখো কারোংদা শাখিবা পব্লিক কনভিনিয়েন্স অমসু চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাখি। মখা তানা মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্স শাগৎপগী থবকসু য়েংশিনখি হায়রি।

## জে এ সিগী খোঙজং শৌগত্তুনা দিপার্টমেন্টশিংদা...

ইমপ্লোয়িশিংগী দিমান্দ অসি গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা তাবিদুনা অমসুং ৭শুবা সেন্ত্রেল পে অসি পীবিদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা জে এ সি এমটুক অমসুং এমজিওগা য়ান্নবা পুরক্তুনা খোঙজং অসি হন্দোক্লবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা জে এ সিনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি তাবিদনা লৈথোকপা মতমদা মখা তানা জে এ সিনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসন (এস) কী ইমপ্লোয়িশিংনা মতেং পাঙগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

আই টি আই তাকয়েলপাৎকী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর আই টি আই ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী মকোকথোংবা লুচিংবা অমনা পাউমীশীংদা হায়, লৈবাক অসিগী ওইনা বি জে পিনা সাসন তৌবা ষ্টেটশিংদা ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে অসি পীখ্রবা মতুংদা মণিপুরখক্তমক মসিগী পে অসি ফংদনা লৈরি।

হন্দক্তা নৌনা বি জে পিনা পায়খিবা ষ্টেটশিংদা ৭ শুবা সেন্ত্রেল পে অসি পীরগা মণিপুরনা করিগী পীবিদবনো হায়বদু গভর্ণমেন্টনা শেঙদোকপীফম থোকই হায়খি।

জে এ সি এমটুক অমসুং এমজিওনা চংশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা ওল মণিপুর আই টি আই ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না লেপ্তুনা শৌগৎকনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী খুঙ্গং ৫৭৩ মৈখু চেন্দবা ওইহন্নবা থবক পায়খৎপা...

মহাক্না মখা তানা হায়, পি এম য়ু ৱাই স্কিম অসি ইং ২০১৭–১৮ দগী হৌদুনা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ৫ পীনবা হৌদোকখিবা স্কিম অমনি। মসিগী অপুনবা এক্সপেন্দিচর অসি লুপা ক্রোর লিশিং ৮ লোমগী বজেটতা চংশিল্লকপনি।

স্কিম অসি মায় পাক্লকপদগী মতম শাংদোক্না পায়খত্তুনা এল পি জি কনেক্সন ক্রোর ৩ পীনবা অহেনবা এক্সপেন্দিচর লুপা ক্রোর ৪৮০০ সেঙ্কসন তৌদুনা লৈরে।

হান্নগী সেক দাটাগী মখা পোন্না পায়খৎলম্বা উজৱালা স্কিম অসি লাকপদগী সেক দাটাদা য়াওদবা বি পি এল ইমুংশিংদা মতৌ করন্না মসিগী খুদোংচাবা অদু পীবা য়াগদগে হায়বদু খন্নরকপদা এক্সপান্দেদ উজৱালা অসি লাকখিবনি।

এক্সপান্দেদ উজৱালা অসি মপুং ওইনা ক্রাইটেরিয়া ৭ তা পায়–খৎলকপনি। মদুগা মরি লৈনবা দাটাশিং অদু গভর্ণমেন্টতা পীবিরক্লবা হায়জখ্রে। মসিগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবশিং মীওই কাঙলুপ অদুদি এস সি অমসুং এস টি য়ুমথোংশিং য়াওহনবা, পি এম এ ৱাই (জি)গী খুদোংচাবা ফংলবশিং, এ এ ৱাই কার্দ হোল্ডর, ফোরেষ্ট দ্বেলরশিং, সমাজদা খ্বাইদগী শোত্থনা লৈরিবা কাঙলুপশিং, চা বগানদা লৈরিবা ত্রাইবশিং অমসুং ঈথৎ অমসুং তুরেল খোঙনুংশিংদা খুন্দরীবা মীওইশিংনি।

মসিগী মখাদা মখোয়দা কে ৱাই সি দাটা খোমজিনবা হৌরে। হৌজিক ফাওবদা কে ৱাই সি ৪২,২৩৫ খোমগৎপদা মীওই ৩৮,৭৫৫ কে ৱাই সি ক্লিয়ার তৌখ্রে লোয়নআ মীওই ৩৪,০৯৭তা উজৱালাগী মখাদা এল পি জি কনেক্সন পীখ্রে। বি পি এল ইমুং খুদিংমক অসি এক্সতেন্দেদ উজৱালা স্কিমগী মখাদা খুদোংচাবা ফংলগনি হায়খি।

গ্রাম স্বারাজ অভিয়ান অসিদা ষ্টেট অসিগী ওইনা খনগৎলবা দিষ্ট্রিক্ট ৯গী খুঙ্গং ৫৭৩ অসিগী পান্দম থল্লিবা ইমুংমশীং অসি ১,৪৪,২৮২নি।

খুঙ্গংশিং অসিদা গ্যাস কনেক্সন কয়াম লৈরে, কয়াম লৈত্রে হায়বগী মতাংদা হৌজিক সর্ভে চখ–রি। লোয়নআ মে ৫ ফাওবগী মনুংদা মসিগী রিপোর্ট পীদুনা কনেক্সন পীগদৌরিবনি।

হৌজিক ফাওবদা খুঙ্গং ৬০ সর্ভে তৌবা লোইরে। লোয়নআ খুঙ্গংশিং অসিদা লৈরিবা অপুনবা য়ুমথোংগী চাদ ৭০দি গ্যাস কনেক্সন লৈরমখি। মণিপুরগী ওইনা অপুনবা খুঙ্গং ৫৭৩ অসি অৱাং নোংপোক্কী দিষ্ট্রিক্ট ৮০গী খুঙ্গং ৬৭৮১গী মনুংদনি হায়খি।

## সাইতু কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা থোং অনিগী ফিভম ৱার্ক্স মিনিষ্টরনা...

মদুগী থবক অদু খুদক্তগী পায়খৎপা হৌনবা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা পাউচেশিংদা হাপতোক্তুনা থোং অদু শিদোকপা অমসুং লম্বী অদু মতম খরা থিংজিনবা নত্রগা দাইভর্ট তৌরগা চৎহনবগা লোয়নআ থোং অদু শিদোক্লগা খুদক্তগী শেমগৎপা হৌনবা খঙহনখি।

খোঙচৎ অদুগা মরি লৈননা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা হায়, মোটবুংদগী পুখাও ফাওরগা সাইকুল তাবা লম্বীগী তেকখিবা থোং অসি য়াম্না মরুওইবা থোং অমা ওইরিবনি।

পি কে রোদ হায়রগা খঙনবা লম্বী অসিনা খুল কয়া ফাওনবা অমসুং মপাউ খুল তাবা লম্বীনি। হৌখিবা চহি ৩ রোম অসি কনামত্তনা হন্না য়েংবীদনা থোং অসি তেকখ্রবসু লৈরকপা লোয়নআ মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা প্রজাশিংগী অৱাবা উবিদনা লাকপনি।

অদুবু ঙসিদি কেন্দ্র অসিগী সেনিয়ার পোলিতিসিয়ান ঙমথাং হাউকিপনা তত্তনা লাক্লগা চীফ মিনিষ্টর অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর ওইরিবা ঐহাক ইশামক্তা তত্তনা শাবীনবা হায়বদগী ঙসি য়েংশিনবা লাকপনি হায়খি।

লম্বী অসিগী মরুওইবা অসি য়েংলগা থোংগী মখোঙ অসি থুগায়রবা মখোঙ হেনগৎহন্দুনা অনৌবা বেইলি ব্রিজ অমা শারগনি হায়খি। মসি নোং তাদবা ওইরগনি মে ফাওবদা হৌনবা অমসুং নোং চুরবদি নোংজুথা লোইরবা মতুংদা শাবা হৌরগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা হায়, নেসনেল হায়ৱে ২ অসিগী মাওদগী কৌব্রুলাইখাগী শরুক অসি চয়েৎনবা লৈরম্বদগী মদু ফোর্স ক্লোজর তৌরবা মতুংদা হান্নগী থবক অদু লৌথোকখ্রে।

হৌজিক অনৌবা ওর্দর অমগী মখাদা সেন্টরদগী লুপা ক্রোর ৩গী শেনফম পীরকপগা লোয়নআ ওর্দিনারি রিপেয়ারিং হায়দুনা রিপেয়ারিং তৌবগী থবক চখবনি। বি আই পি এলনা পায়খৎলিবা থবক অসিনা অতোপ্পা পেকেজ অমগী মখাদনি।

মরম অসিনা মাওদগী কৌব্রুলাইখাগী শরুক অসি শেনফম হাপ্লগা মথংগী চহিদা শেমগৎনবা হোৎনরি হায়খি।

মিনিষ্টরনা হায়, মোটবুং বজারদা লৈরিবা ত্রান্সফোর্মর অসি লম পীরবদি অথুবদা হোংদোক্কনি হায়খি। মিনিষ্টরনা হায়, মোটবুং লম্বী অসি প্রোগ্রাম হাপ্লগা ব্লেক তোপ্পিং ওইবা লম্বী পীনবা থৌরাং তৌগনি হায়খি।

কেন্দ্র অসিগী লম্বীশিং অসি পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা প্রোগ্রাম হাপ্লগা শেমগৎনবা হোৎনগনি হায়খি।